**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-06-2025)**

**সংবিধানঃ** সংবিধান হত্যা দিবস ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোকখি। ইং ১৯৭৫ ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ভারতকী সংবিধানবু খোঙ্গাউনখিবা অদুবু নৌহৌননা নীংশিংহল্লি। নুমিৎ অসিদা ইমর্জেন্সি থমদুনা অৱা-অনা তাখ্রবা মীওই কয়াগী মফমদা শ্রধাঞ্জলি কৎলি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-ইং ১৯৭৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা রাস্ত্রপতি-ফক্রুদিন আলি অহমদনা আর্টিকল ৩৫২ গী মখাদা লৈবাক মনুংগী ওইবা শিংনরকপা অমসুং য়ৈখাই থিনগাইবা কয়ামরুম থোক্লে হায়না ইমর্জেন্সি লাউথোকখি। থৌরাং অসিগী মখাদা ষ্টেট ওথোরিতিশিংবু কেন্দ্র সরকারগী মখাদা থমখি। ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবদগী সংবিধাননা ঙাক শেল্লিবশিং অদু লৌথোকখি। আর্টিকল ১৯ গী মখাদা ঙাক শেল্লিবশিং অদু আর্টিকল ৩৫৮ কী মখাদা লৌথোকখি। মসিনা ফ্রিদম ওফ স্পিস, এক্সপ্রেসন, মীয়াম পুনবা অমসুং চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা পীখি। থৌরাং অসিনা নাগরিকশিংবু কোর্টতা চৎতুনা মখোয়গী ৱাকৎ থাংগৎপদসু অথিংবা পীখি।

**দিবস (এল)ঃ** রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা শিনদুনা সংবিধান হত্যা দিবস ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফাইনান্স)-ভিবেক কুমার দিৱাংগননা হায়-চহি ৫০ গী মমাংদা ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ভারত শিনবা থুংবদা ইমর্জেন্সি লাউথোকখি। ইমর্জেন্সিগী মতমদা মীয়ামগী ফন্দামেন্টেল রাইটস চৎনহনখিদবা অদুনা মহৈরোই লুচিংবা কয়া সোসিএল এক্তিভিষ্ট,

জর্নেলিষ্ট অমসুং রাজনিতি দলশিংগী মীওই কয়া ফাজিনখি। মহাকা হায়-মতম অদুদা প্রেসকী নীংতম্বসু চাউনা শিংনবা অমা ওইখি।

বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনসু শিন্দুনা ইং ১৯৭৫ দা ভারত্তা ইন্মরজেন্সি থমখিবগী থৌদোক অদুবু নিংশিংদুনা সংবিধান হতিয়া দিবস থৌরম ঙসি ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ. সরদা দেবী, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, এম.এল.এ থোঙাম বিশ্বজিৎ য়াওনা দলগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী নোংথোম্বম বিরেননা হায়-ইং ১৯৭৫ দা মতম অদুগী প্রধান মন্ত্রি-ইন্দিরা গান্ধিনা ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবা অদুবু ঙসিগী মীয়ামনা অমম্বা নুমিৎ হায়না নীংশিংনরি। মীয়ামনা ভারতকী সংবিধানবু ঙাক্তুনা থমবা অমত্তা ওইনা ৱাশক লৌমীন্নরসি। মহাকা হায়-অসিগুম্বা থৌদোক অসি লৈবাক অসিদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা হোৎনরসি।

**বিজেপি (এল)ঃ** এম.এল.এ.-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়রি-ইং ১৯৭৫ দা ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবা থৌদোক অদু তুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা অমদি থৌদোক অদুগী অশোয়বনা লৈবাক অসিদা হীরম কয়াদা ৱাহনখিবা অদু ঙসিগী মীয়াম অমদি রাজনিতিৱালাশিংদা নীংথিনা খঙহন্নবা সংবিধান হত্যা দিবস অসি পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি তুংদা অমুক হন্না থোকহন্দবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী বিশ্বজিৎনা মখা তানা হায়-ইং ১৯৭৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবা মতম অদু লৈবাক অসিদা মপান অমসুং লৈবাক মনুংদগী শিংনরকপা অমত্তা লৈখিদে। করিগুম্বদা ইমর্জেন্সি থম্বগী তঙাইফদবা লৈরবসু সংসদকী অমদি মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ লৌবা অমদি বিরোধি অমসুং মীয়ামদগী মোত

লৌবগী তঙাইফদবা লৈ। অদুবু, গনতন্ত্রগী চৎন-কাঙলোনশিং পুমমক নমথদুনা লৈবাক অসিদা নমদুনা ইমর্জেন্সি থমজিনখি। মসিনা গনতন্ত্রগী মচৎ কায়বা, সংবিধানদা শিংনরকপা, লেজিসলেচর জ্‌দিসিয়ারিগী মপাঙ্গল লৈহন্দবা, মীওইবগী হক মৎপা য়াওনা প্রেসকী নীংতম্ববু খোঙ্গাউনবগী থৌওং কয়া চত্থখি। মসি লৈবাক অসিগী ওইনা য়ামা লাইবক থিবা থৌদোকনি।

**দিবস (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামনা শিনদুনা ঙসি সংবিধান হত্যা দিবস, দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল ইমপ্লিমেন্টেসন কমিতিগী মতুং ইন্না থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা তাঙ্কক অহুম থোকা প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্কনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমার অমদি অতৈ ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

থৌবাল জিলাদসু সংবিধান হত্যা দিবস ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা দি.সি. কমপ্লেক্স থৌবালগী কাউর্ন্টিং হোলদা পাঙথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইমর্জেন্সি মতমদা মীয়ামনা মায়োকখিবা অৱাবা খুদোংচাদবশিং উৎপা পোষ্টর ইগজিবিসন অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হনা কামৈনা হায়-নুমিৎ অসি পাঙথোক্তুনা ইমর্জেন্সিগী মতমদা অৱাবা তারবা মীয়ামগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ককচিংনা শিনদুনা সংবিধান হত্যা দিবস জিলা অসিদা পাঙথোকখি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা মীওই ৫৯ কোবিদ নাইন্তিন টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৮ পোজিটিব ওইবা থেংনরে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা মীওই ৪২ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৩, ইম্ফাল ইষ্টতা মীওই তরেৎ টেষ্ট তৌবদা মীওই অমা, চান্দেলদা অমা, থৌবাল জিলাদা মীওই মরি টেষ্ট তৌবদা

মীওই অমা পোজিটিব ওইবা থেংনখি। মসি থারগা হৌজিক ফাওবদা পুন্না পোজিটিব ওইবা মীওই ১৮৯ শুরে।

মীওই অহুম নাবা ফাখিবগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা হৌজিক এক্তিব কেস ১৫২ লৈরি। হোম আইসোলেসনদা মীওই ১৩৮ লৈবগী মনুংদা নুমিৎ তরেৎনি শুদুনা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওই অহুম নাবা ফখ্রে।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী ফিভম জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হোস্পিতাল অসিগী কর্ম্মচারিশিংগা উন্নদুনা হোস্পিতাল অসি মপুং ফানা চল্লাইনবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খন্নখি।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অসিগী সি.এম.ও. অমসুং মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্টনা হোস্পিতাল অসিদা ষ্টাফ ৱাৎপা, মতমগা চুন্নবা মেছিন লৈতবা, ৱাস রুম মরাং কায়দবনচিংবগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎখি হায়রি। তুংদা, দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইবা সংবিধান হত্যা দিবস ২০২৫ লমথাখি।

**বিশ্বজিৎ (এল)ঃ** মনিপুরদা অনৌবা সরকার অমা শেম্নবগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু রাজ্য অসিদা ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্কবা মতুং সরকার অমা শেমবা হায়বনি। মসিদা কংগ্রেসনা ৱাফম অসি কুপা নৈনদনা ৱাফম কয়া ফোংদোকপা অসি লাইবক থিবনি।

ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী বিশ্বজিৎনা মখা তানা হায়-রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি কাংলুপ মশেলগী ওইবা উংখৎনবগা মরী লৈনৈ। অদুবু, মসি নত্তবা অতোপ্পা মরম কয়া অমসু লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা কুপা খল্লবা মতুং লুচিংবা অমা ওইনা ৱাফম অসি ফোংদোরকপনি হায়না লৌই। রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা

ফিভম অসিদা লুচিংবা অমা ওইনা হায়বা য়াবা, য়াদবা অরোন-অথুপকী ৱাফম কয়া অমসু লৈরি। মসি রাজনিতি দল অমা ওইনা কংগ্রেসনসু কুপা খন্থহন্নিংই।

**শিক্ষা (এল)ঃ** সমগ্রহ শিক্ষা, ষ্টেট ইমপ্লিমেন্টেসন সোসাইতি, মনিপুরনা দা আর্ট ওফ লিভিং মনিপুর অমসুং রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ক্লিনিকেল সাইকোলোজিগা পুন্না শিনদুনা মহৈরোইশিংদা সাইকোলোজিকেল অমসুং ইমোস্নেল সপোর্ট পীবগী মতাংদা মাস্তর ত্রেন্নর অমসুং রিছোর্স পার্সনশিংগী ওইবা কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, ত্রেন্নরশিংবু তঙাইফদবা লৌশিং গ্যান অমসুং স্কিল লৈহন্দুনা মহৈরোইশিংদা মতেং পাংনবগীদমক্তনি।

**বিদ্যালয় (এল)ঃ** কেন্দ্র বিদ্যালয়া সংঘথন রিজনেল ওফিস-তিনশুকিয়াগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রী তাওরেম প্রবিন সিংহনা রাজ্য সরকারগী এদুকেসন বিভাগকী সেক্রেটরি-নাওরেম প্রবিন সিংহগা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা কেন্দ্র বিদ্যালায়া-অকম্পাৎকী বিল্ডিং শানবা লম পীবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি। কেন্দ্র বিদ্যালয়গী দিপ্যুতি কম্মিস্নার অসিনা মমাংদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরিগা উন্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদসু ৱাফম ফোংদোকপা লৈখ্রবনি।

**হেন্দলুম (এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী টেক্সতাইল মন্ত্রালয়গী মখাদা দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইল মনিপুরনা শিনদুনা সমরাত স্কিম (স্কিম ফোর কেপাসিতি বিল্ডিং ইন টেক্সতাহল সেক্তর) গী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোইখোঙনাংখোংদা লৈবা এ.জি.এম.সিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (টেক্সতাইল, কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি) অনুরাখ ভাজপায়না হায়-ইম্ফালদা অচৌবা টেক্সতাইল পার্ক অমা থমবা থৌরাং

লৈরে। টেক্সতাইল পার্ক অসিগী প্রোজেক্ট শেন্বা লোয়রে, কেন্দ্রগী অয়াবা ঙায়রি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তমদা লৈরিবা মীওইশিংগী চাদা ১৫ দগী ২০ ফাওবদি ফিশা-লোনশাগী থবক তৌরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এলাংবম জিতেননা হায়-২০১৯ দা ফোংখিবা ভারতকী ওহবা হেন্দলুম সেন্সস রিপোর্টকী মতুং ইন্না অতৈ রাজ্যশিংগা য়েংনদুনা মনিপুরদা হেন্দলুমগী থবক থৌরম অসি হেনগৎলক্লি। মহাকা হায়-মসিগী মতুং ইন্না রাজ্য সরকার অমসুং কেন্দ্রগী টেক্সতাইল মন্ত্রালয়গা য়ান্ন-ৱারোল অমা সহি তৌনদুনা খুৎশা-হৈবা অমসুং ফিশা-লোনশা তৌবা মীওই লিশিং ১৫ ত্রেন্নিং পীগদৌরি।

**চুরাচান্দপুর (এল)ঃ** ধরতি অবা জনা জাতিয়া উকরস অভিয়ান-আই.ই.সি. অমসুং বিনিফিট সেচুয়েসন কেম্প চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোং ব্লোক্তা লৈবা খোলমুন ভিলেজকী ই.সি.এ. চর্চ কম্পাউন্দা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অসি কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গী মখাদা পাঙথোকপনি। কেম্পেইন অসিনা সরকারগী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং খুঞ্জাশিংদা ফংহন্নবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ওফিসিএলশিংগা উন্নবগী খুদোংচাবা পীবনি।

থৌরমদুদা জিলা অসিগা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রী ধরুনকুমারনা আই.ই.সি. টিমগা লোয়ননা মফম অদুদা হাংদোক্লিবা স্তোলশিং য়েংখি।

**তেংনৌপল (এল)ঃ** ধরতি অবা জনা জাতিয়া উকরস অভিয়ান কেম্পেইন তেংনৌপল জিলাগী মচি সব দিভিজনগী মচি খুলদা লৈবা মচি কম্ম্যুনিতি হোলদা মপুং ফানা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা বিভাগ ১৫ গী স্তোলশিং হাংখি।

**নোনে (এল)ঃ** নুমিৎ ১৫ নি চথুগদবা ধরতি অবা জন ভাগীদারি অভিয়ান

অমসুং বিনিফিট সেচুয়েসন কেম্প ঙসি নোনে জিলাগী হাউচোং ব্লোক্তা লৈবা খুমজি পার্ট টু কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা তোঙান তোঙানবা বিভাগ ১৩ গী স্তোলশিং হাংখি। থৌরম অদুদা খুঞ্জা ২০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** ধরতি অবা অভিয়ান কেম্পেইন-জিরিবামদা মখা তানা পাঙথোক্লি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামনা শিনদুনা কেম্পেইন অসি ঙসি সোতোবেক্রো খুলদা পাঙথোকখি।

জাইরলপোকপী খুলগী ওইনা থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

**মেটঃ** ইন্দিয়ান মেট বিভাগনা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা লৈবাক শিনবা থুংবদা নোং চুগনি হায়রি।

বিভাগ অসিনা হায়-লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অৱাং নোংপোক ভারত, অৱাং নোংচুপ থংবা শরুকশিং-ছাতিসগর, গঙ্গেতিক ৱেষ্ট বেঙ্গোল, বিহার, ঝরখন্দ অমসুং উরিষ্যাগী মফম কয়াদা ময়াই ওইরপ নোং চুগনি। করনাতক্কী সমুদ্র খোঙবান, গুজরাট, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, হিমাচল প্রদেস, জম্মু কাশ্মির, লদাগ, গৱা, মহারাস্ত্র, পঞ্জাব, উত্তরাখন্দগী মফম কয়াদনা নোং কন্না চুগনি হায়রি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা ঙসি ককচিং বজারদা লু-নানবগী থৌরম অমা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসি নোংজ্ পন্থাগী মতমদা লন্বীশিংদা ঈশিং তুংশিল্লিবা অদুদগী ঙাকথোকবগীনি। খোঙজং অসি চয়োল অমা হেন্না চগুগনি হায়রি। ঙসিগী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ (এ) গী নাক-য়েৎতা লৈবা ইরম নালাশিং শেংবগী থবক চগুগনি। থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী মখাদা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিনবনি।

**এগ্রিকলচর (এল)ঃ** মণিপুর সরকারগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিন্দুনা শান্তি রক্সাগী ফিভমনা শোকহল্লবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লৌমীশিংদা চাথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্বা ফৌদি অমদি মরু মরাংশিং য়াওনা য়ুরিয়া হার য়েন্থোকপগী থৌরম অমা হৌজিক জিলা অসিগী শাবুংখোক লাইরেম্বী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু লৌউ শিংউ বিভাগনা কোকোমি ফামরস ৱিং, কফা, লৌসাল, অমফা অমসুং লোয়ালুপকা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি।

**উ (এল)ঃ** মনিপুর অবার্ন দিবলপমেন্ট এজেন্সি (মুদা), টাউন্দ প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট মনিপুর, মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং লাইওন্স ক্লব ওফ মোইরাংনা পুন্না শিনদুনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা চিংঙৈ লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ৱিমেন ফোর ত্রিজ কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা উ চারা থাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি এক পের মা কে নাম হায়বা হীরমগী মখাদা অমরুত টু পোইন্ট জিরো পাঙথোকপনি। থৌরমদুদা মোইরাংগী মফম কয়াবু অশঙবনা পীক থলহনবা অমসুং লু-নানবা মফম অমা ওইহন্নবা পান্দমদা উ চারা কয়ামরুম থাখি। ৱিমেন ফোর ত্রিজ কেম্পেইন অসি ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট নুমিৎতা মহুদকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিনা হৌদোকখিবনি।

**ককচিং (এল)ঃ** চাইল্ড ৱেলফিয়ার কমিতি-ককচিংনা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট-ককচিংনা পুন্না শিনদুনা 'অঙাং অমা, উ পাম্বী অমা' কেম্পেইন ঙসি ককচিং গার্দেনদা হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুদা মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন-কৈশাম প্রদিপকুমার, ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনচিংবা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ৱার্ল্ড হনভাইরোনমেন্ট

ডেদা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপা চাংদমবদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা সার্টিফিকেট পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**ফুটবোল (এল)**ঃ সেকেন্দ প্রিমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লাংজিং অচৌবা তব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-য়ুনাইটেদ চান্দেল এফ.সিনা য়ুথ সোসিএল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)**ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী চালৌ গ্রাউন্দদা চথরিবা ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-য়ুনাইটেদ সেক্তানা ৱাই.এস.ডব্লিয়ু.সি-শবুংখোকপু পাঞ্জল ৩-২ দা, সেন্ত্রেল হায়স্কুলনা ৱাই.দি.সি.এল-পুংদোংবম টিম (এ) বু পাঞ্জল ৪-১ দা অমসুং য়ু.এফ.ও. লমলাইনা লৌশাংখোঙবু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখি।

**ৱ্শু(এল)**ঃ থা অসিগী ২৭ তগী হৌদুনা মথং থা জ্লাই তরেৎ ফাওবা ৱুশু ফেদরেসন ওফ এসিয়ানা শিনদুনা চিনাগী জিলিন প্রোভিন্সতা পাঙথোক্কদবা এসিয়ান কোচ এন্দ জর্জেস কোচতা শরুক য়ানবগীদমক খল্লবা মনিপুরগী কোচ অহুম চিনাগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ভারতকী ওইনা মীহুৎ ১১ খনবগী মনুংদা মনিপুরদগী নিরোদা নাওরেম, বিনাপানি থোঙাম অমসুং প্রদিপকুমার লোংজমবু কোচকী ত্রেন্নিংদা শরুক য়ানবা খল্লকখিবনি।